# ৩৬শুবা নেসনল গেমস কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তুনা য়েথোক্লে



ন্যু দিল্লি, মে ২৮ (এজেন্সী):

চহী অসিগী ওক্টোবর ২০দগী নবেম্বর ৪ ফাওবা গোৱানা য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৩৬শুবা নেসনল গেমস কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তুনা য়েথোক্লে হায়না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙগী চহীদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা থেঙ্খাং কয়া য়েথোক্তুনা লাকখ্রবা ৩৬শুবা নেসনল গেমস অদু ঙসি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা গোৱাগী লৈঙাক্তা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকপগী মতম অদু য়েথোকখিবনি।

গোৱাগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা অদুগা স্পোর্টসকী মিনিষ্টরসু ওইরিবা মনোহর অজগাওকরনা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অদুগা মান্ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অদুনা য়ূম্থু ওইদুনা চহী অসিগী ওক্টোবর ২০দগী নবেম্বর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৩৬শুবা নেসনল গেমস অদু মতম কক্তুনা য়েথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫দা কেরলানা য়ূম্থু ওইরগা ৩৫শুবা নেসনল গেমস অদু পাঙথোকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা গোৱানা য়ূম্থু ওইদুনা ৩৬শুবা নেসনল গেমস পাঙথোক্কনি হায়না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অয়াবা ফংদ্রবসু মফম অদুদা লৈবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী ফীভম লোইশিনবা ঙমদবদগী থেঙ্খাং কয়ারক গেম অসি য়েথোক্তুনা লাকখিবনি।

৩৬শুবা নেসনল গেমস অসি কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল থাদা অমুক য়েথোকখিবনি। মদুদা গোৱাগী লৈঙাক্না ষ্টেট অদুদা লৈরিবা ষ্টেদিয়মশিং অমদি অতোপ্পা শান্নবগী ফেসিলিটিশিং অদু মপূং ফাবা ফীভম অমদা লৈতবা মরম্না য়েথোরকপা অদু কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর ২০দগী হৌরগা নবেম্বর ৪দা পাঙথোক্কনি হায়না শেম শারম্বনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা গোৱা লৈঙাক্না মপূং ফানা শেম শাদুনা ওক্টোবর ২০দগী নবেম্বর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা নেসনল গেমস অদু ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রগা পাউ ফাওনরবা মতুং মতম কক্তুনা য়েথোকখিবনি।

## টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসনগী মতম বি দব্লিয়ু এফনা শাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৮ (এজেন্সী):

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) না চহীসিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবা মতুং বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইননবগী তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংগী মতম মথং চহী ফাওবা শাংদোকখ্রে।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলগী মতুংইন্না মথং চহীগী হৌরকপদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মরম্না বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা ওলিম্পিক অসিগী ক্বালিফাই ওইনবা মমাঙদা লৈরম্বা সিষ্টম অদু হোংদোক্তুনা মথং চহীগী অহানবা চয়োলদগী হৌরগা চয়োল ১৭ ফাওবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্তুনা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খঙদোক্লবা হোৎনগদৌরি।

## ইন্দিয়াগী ফুটবোলরশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সাইক্লোন অম্পনগী মতেংগীদমক খূৎশম্নখ্রে





কোলকটা, মে ২৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং ফংলিঙৈ সাইক্লোন অম্পননা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা অমাঙ-অতা থোকহল্লিবা অদুদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয় ৩৮না পূনশিন্দুনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমক মতেং পাংনবা পূনশিনখ্রে।

'প্লেয়রস ফোর হ্যুমেনিটি' হায়না মীংথোনবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী লূপ অসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সাইক্লোন অম্পননা নৌনা শোকহনখিবা মীওই অমদি মফমশিং অদুদা চৎতুনা মতেং পাংননবা হোৎনরকপনি।

মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী গোলকিপর সুব্রত পোল, মহেটাব হোসেন, অর্নব মোন্দল, সুবাসিস রোয় চৌধুরি, সন্দিপ নন্দি, প্রনোয় হলদর, প্রিতম কোটল অমসুং সোবিট ঘোস য়াওবা লূপ অসিনা মাঙজৌননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং ফংলবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সাইক্লোন অম্পননা নৌনা পীরকপা অৱা-অনা তারবা মীওইশিংদা হকথেংননা চৎতুনা মতেং পীনবগী খোঙথাং পায়খৎলকখি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা 'স্পাইদর মেন' হায়না খঙনরিবা গোলকিপর সুব্রট পোলনা সাইক্লোন অম্পননা চৈথেং পীরবা মফমশিং অদুদা ফুটবোলগী লূপ অসিনা চৎতুনা মতেং পাংবগী থবক অদু মফমশিং অদুদা লৈবা ফুটবোল পামজবা মীওইশিংগা খূৎশম্নরগা পায়খৎলকপনি।

সাইক্লোন অম্পননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ূম কয়া অমা হুমদোকখিবদগী অৱা অনা তাদুনা লৈরিবা য়ূম কয়া অদুদা চৎতুনা 'প্লেয়রস ফোর হ্যুমেনিটি' হায়না মীংথোনবা লূপ অদুনা মতেং পীনবা হোৎনরকপনি।

হান্না ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা শরুক য়ারম্লবা ফুটবোল শান্নরোয় মহেতা হুসেননা ফোঙদোকখিবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মাঙজৌননা চৈথেং ফংদুনা লৈরিবা ইমুং কয়াদা নৌনা সাইক্লোন অম্পননা অমুক হন্না পীরকপা অৱাবা অদুগী মতাংদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা ফুটবোল শান্নরোয়শিং অসি পূনশিল্লগা মতেং পীবগী থবক লৌখৎলকপনি।

## ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা ক্রোর অনীগী শেনফম কোভিদ-১৯গী মতেং ওইনবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিব মহেতানা লুচিংবা দেলিগেসন অমনা ঙসি স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগী খূত্থাংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাম্হেংনবগীদমক পি এম ক্যেরস ফন্দদা লুপা ক্রোর অনীগী চ্যেক মনা শীন্নখ্রে।

নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং অমদি শান্নরোয়শিংগী মহুৎ শীন্দুনা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না লৈবাক অসিনা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লাম্হেং অসিদা মতেং ওইনবা পি এম ক্যেরস ফন্দদা লুপা ক্রোর অনীগী চ্যেক মনা অদু স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগী খূত্থাংদা পীখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অদুগী মতুংইন্না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা শীন্নখিবা লুপা ক্রোর অনীগী শেনফম অদু লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং অমদি শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী খায়গৎলকপা শেনফমশিংনি হায়রি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা স্পোর্টস ফেদরেসন অয়াম্বা শেলগী অৱাবা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাম্হেংনরিঙৈ মনুং অসিদা খোমজিন্দুনা শেলগী মতেং পীরকপা অসি থাগৎনীংঙাইনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা লুপা ক্রোর ২২০গী পেকেজ অমা পীবিনবা অহৈবা চেরোল থাবা লৈখি।

হায়রিবা শেনফম অসি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী নেসনল ফেদরেসনশিং অমদি ষ্টেট ওলিম্পিক কম্মিটিশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈঙাক্না থল্লকখিবা লোকদাউনন্না স্পোন্সর ফংদবদগী শেলগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি কোক্লবা ইখিবা চেরোলনি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী কিরেন রিজিজুদা লুপা ক্রোর অনীগী শেনফম কোভিদ-১৯ থেংনরিবা লৈঙাক্কী পি এম ক্যের ফন্দদা পীখিবা অদুদা এসোসিএসন অসিগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট অনিল খানা সুধানসু মিটল, জোইন্ট সেক্রেটরি ওনকার সিংহ অমসুং এসোসিএট ভাইস প্রসিদেন্ট অজয় সিংহসু শরুক য়াখি।

## ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা সেরিজকী মতম পীখ্রে, টি-২০ ৱর্ল্ড কপসু পাঙথোক্লবা শীল্লি



মেলবোর্ন, মে ২৮ (এজেন্সী):

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি ফোঙদোকপা ৱারোলগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা লৈবাক অদুদা লাক্তুনা শান্নগদৌরিবা ক্রিকেট সেরিজকী মতম লেপখ্রে। লোয়ননা লৈবাক অদুনা য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী হান্না লেপখিবা মতম অদু কায়দনা শীন্নবসু হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লাক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী ওইনা অহানবদা টি-২০ মেচ অহুম শান্নগনি। মদুগী মখা তারকপদা টেষ্ট মেচ মরি শান্নরবা মতুং ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচ অহুম শান্নরগা সেরিজ অদু লোইশিনগদৌরিবনি।

টি-২০ মেচ অহুমগী মনুংদা অহানবা মেচ অদু চহী অসিগী ওক্টোবর ১১দা ব্রিসবেন্দা লৈবা গেবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্ননবা মতম লেপ্লি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা টি-২০ মেচ অদু কেনবেরা সিটিদা লৈবা মনুকা ওভেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্ননবা শেম শাবগা লোয়ননা অহুমশুবা টি-২০ মেচ অদুনা ওক্টোবর ১৭তা এদলেদ সিটিদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্তেন ভিরাট কোহলিনা লুচিংদুনা 'বোর্দর গভাস্কর ট্রোফি' অদুগীদমক দিসেম্বর ৩দগী ব্রিসবেন্দা লৈবা গেবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা অহানবা টেষ্ট মেচ অদু থা অদুগী ৭ ফাওবা শান্ননবা মতম ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা লেপ্লি।

অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদু নুমিদাংগী মতম ফাওবা ফ্লদ লাইটকী মতেং য়াওনা দিসেম্বর ১১দগী ১৫ ফাওবা এদলেট সিটিদা শান্নগদৌরি। অহুমশুবা টেষ্ট মেচ অদুনা দিসেম্বর ২৬তগী ৩০ ফাওবা মেলবোর্ন সিটিদা লৈবা এম সী জি ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। অদুগা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা শান্নগদবা মরিশুবা টেষ্ট মেচ অদুনা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ৩দগী ৭ ফাওবা সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্ননবা মতম লেপখি।

টি-২০ সেরিজ অমসুং টেষ্ট মেচ মরি শান্নবা লোইখ্রবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমনা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১২দগী হৌরগা জন্যুৱারী ১৭ ফাওবা ৱান দে মেচ অহুমগী সেরিজ লম্বা তৌনগদৌরি। অহানবা ৱান দে মেচ অদু পর্থ সিটিদা জন্যুৱারী ১২দা শান্নগনি। অনীশুবা ৱান দে মেচ অদুনা জন্যুৱারী ১৫দা মেলবোর্ন ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্ননবা মতম লেপ্লগা লোয়ননা অহুমশুবা ৱান দে মেচ অদুনা জন্যুৱারী ১৭তা সিদনি সিটিদা লৈবা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নগদৌরি।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) গী মায়কৈদগী ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্থু ওইদুনা চহী অসিগী ওক্টোবর ১৮দগী নবেম্বর ১৫ ফাওবদা পাঙথোক্কদবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুগী মতম নৌনা লেপত্রি। হান্না শেমখিবা সেদ্যুল অদুদা হোংদনবা হোৎনরি।

আই সী সীগী ৱাঙাঙলোই অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না টি-২০ ৱর্ল্ড কপ য়েথোকপগী ৱারেপ অমত্তা লৌনবা লৈত্রি। ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা মমাঙদগী লেপ্তুনা থমখ্রবা মতম অদুদা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অসি পাঙথোক্লনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খ্রে।

মরক অসিদা, ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈবাক অদুগী নুপী ক্রিকেট টিমগা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগা ৱান দে মেচ অহুমগী সেরিজ অমসু কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা মতম লেপ্লক্লি। অহানবা ৱান দে মেচ অদু জন্যুৱারী ২২দা কেনবেরা সিটিদা পাঙথোক্লবা মতুং অনীশুবা মেচ অদুনা জন্যুৱারী ২৫দা সেন্ট কিলদাদা শান্নরগা অহুমশুবা অদুনা জন্যুৱারী ২৮দা হোবার্ট সিটিদা শান্ননবা মতম লেপ্লি।

HL/B/6099/23 April to ...

### বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## হোফেনহেমনা এফ সী কোর্নবু ৩-১দা থোইখ্রে, ফোর্টুনা দুসেলদোর্পনা সালকে ০৪বু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



বর্লিন, মে ২৮ (এজেন্সী):

হোফেনহেম ফুটবোল ক্লবনা জমর্নিগী বুন্দেসলিগাগী ২৮শুবা রাউন্দদা এফ সী কোর্নবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা ফোর্টুনা দুসেলদোর্পনা সালকে ০৪বু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

হোফেনহেম অমসুং এফ সী কোর্ননা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপা ১১শুবা মিনটতা হোফেনহেমগী মায়কৈদগী জে বি লার্সননা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট সী বোমগার্টনরনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

এফ সী কোর্নগী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা হোফেনহেমনা ঙন্না চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্ববা ফনা কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফ অদুগী শান্নবা মিনট ৪৫ লোইশিনবা ফাওবদা ইক্কেলাইজর ফংদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ১ চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা হোফেনহেমগী মায়কৈদগী আর স্কোপনা ফংখিবা বোল অমা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা বোমগার্টনরনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২-০দা মখা তানা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারবা হোফেনহেমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা বোমগার্টনরনা মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা ফংখিবা বোল অমা পাস তৌরকপদা টিমমেট এস জুবরনা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল শেন্বা লোইশিনখি।

পাঞ্জল ৩ শোত্থরবা এফ সী কোর্নগী মায়কৈদগী মেচকী ৬০শুবা মিনটতা জে কোর্দোবানা পীরকপা পাস অমদা এফ কাইন্সনা পাঞ্জল অমা চল্লগা পাঞ্জল ১-৩দা লৈখি। মখা তাবা মেচকী পঙ্খায়গী মতমদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈতনা হোফেনহেমনা ৩-১দা মেচ অদু থোইখি।

ঙসি বুন্দেসলিগাগী ২৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ফোর্টুনা দুসেদোলর্পনা সালকে ০৪বু ২-১দা থোইখি। মেচকী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং সালকে ০৪গী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু ৫৩শুবা মিনটতা মেককিনিনা চনবা ঙমখি। মিনট ১০ লৈরগা ফোর্টুনা দুসেলদোর্পকী আর হেনিংসনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি।

মেচকী ৬৮শুবা মিনটতা ফোর্টুনা দুসেলদোর্পকী মায়কৈদগী কে করামাননা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু ২-১দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 28 | 20 | 4 | 4 | 81 | 28 | 53 | 64 |
| 2 | Borussia Dortmund | 28 | 17 | 6 | 5 | 74 | 34 | 40 | 57 |
| 3 | RasenBallsport Leipzig | 28 | 15 | 10 | 3 | 70 | 29 | 41 | 55 |
| 4 | Borussia Mönchen | 28 | 16 | 5 | 7 | 53 | 34 | 19 | 53 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 28 | 16 | 5 | 7 | 53 | 36 | 17 | 53 |
| 6 | Wolfsburg | 28 | 11 | 9 | 8 | 40 | 34 | 6 | 42 |
| 7 | Hoffenheim | 28 | 11 | 6 | 11 | 39 | 48 | -9 | 39 |
| 8 | Freiburg | 28 | 10 | 8 | 10 | 38 | 40 | -2 | 38 |
| 9 | Schalke 04 | 28 | 9 | 10 | 9 | 34 | 45 | -11 | 37 |
| 10 | Hertha BSC | 28 | 9 | 8 | 11 | 41 | 50 | -9 | 35 |
| 11 | 1. FC Köln | 28 | 10 | 4 | 14 | 44 | 52 | -8 | 34 |
| 12 | Augsburg | 28 | 8 | 7 | 13 | 40 | 54 | -14 | 31 |
| 13 | 1. FC Union Berlin | 28 | 9 | 4 | 15 | 33 | 48 | -15 | 31 |
| 14 | Eintracht Frankfurt | 27 | 8 | 5 | 14 | 44 | 52 | -8 | 29 |
| 15 | Mainz 05 | 28 | 8 | 4 | 16 | 37 | 61 | -24 | 28 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 28 | 6 | 9 | 13 | 31 | 53 | -22 | 27 |
| 17 | Werder Bremen | 27 | 5 | 7 | 15 | 29 | 59 | -30 | 22 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 28 | 4 | 7 | 17 | 31 | 55 | -24 | 19 |

## টি টি এফ আইনা জুন থাদা কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ২৮ (এজেন্সী):

টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (টি টি এফ আই) না লৈবাক অসিগী নেসনল প্লেয়রশিংগী ওইবা কেম্প অমা জুন ২০দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লনবা পোরম য়াৎপা হৌখ্রে।

ৱাফম অসিগী মতাংদা ফেদরেসন অসিনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অয়াবা লৌগদৌরি হায়না ফেদরেসনগী সেক্রেটরি জেনরেল এম পি সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এম পি সিংহনা মখা তানা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎলকপা কেম্প অসিদা শরুক য়ানবা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অয়াবসু লৌগদৌরি। ফেদরেসননা শান্নরোয়শিংবু কেম্প অসিদা য়াওদবা য়ারোই হায়বগী ৱারোল ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

শান্নরোয়শিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী মনুংদা কেম্প অসিদা য়াওনীংদবা তারবসু ফেদরেসনগী মায়কৈদগী করিগুম্বা অকক্লবা অথিংবা লৈরোই হায়রি।

সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নুপা অমদি নুপীগী টেবল টেনিস শান্নরোয়শিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা কেম্প অদু শীনগদৌরিবনি।

মাঙজৌননা কোলকটা, সোনিপট, দিল্লি অমসুং পাটিয়ালাদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরশিংদা কেম্পশিং অসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু হৌজিক্কী ওইনা পটিয়ালাদা পাঙথোক্লনবা টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱারেপ লৌবা লৈরি।

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগ জুন ১৭তগী হৌনবা শীল্লি, মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং অর্সনেলনা অহৌবা মেচ শান্নগদৌরি



লন্দর্ন, মে ২৮ (এজেন্সী):

মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহী অসিগী জুন ১৭তগী হৌনবা শীল্লি। অহৌবা মেচতা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং অর্সনেলগী টিমনা শান্নগনি। লোয়ননা এষ্টোন ভিলা অমসুং সিফিল য়ুনাইটেদসু অহৌবা নুমিৎতা লম্বা তৌনগদৌরি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেম শীনবা থুংনা পীরকখিবা চৈথেংগী মনুংদা শান্নবগী লম্দা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী চহীগী ওইবা ইভেন্ট কয়া অমা য়েথোকপা অমদি তোকখ্রবা মতুংদা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহী অসিগী মার্চ থা ময়ায় চনশিল্লকপদা লেপখ্রবা মতুং লেমহৌবা মেচশিং অদু জুন ১৭তগী হৌনবা শীল্লকপনি।

লন্দন্দা ফোঙবা মমিং লৈরবা পাউচে অমগী রিপোর্টকী মতুংইন্না প্রেমিয়র লীগ সিজন অসি জুন ১৭তা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ূম্থু ওইরগা অর্সনেলগা শান্নগনি। অদুগা এষ্টোন ভিলা অমদি সিফিল য়ুনাইটেদকী মেচ অদুসু নুমিৎ অদুমক্তদা শান্নগনি হায়রি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ২০না লম্বা তৌনদুনা কুমজা ২০১৯-২০গী সিজন শান্নরকপনি। হায়রিবা সিজন অসিগী মেচশিং চহী অসিগী মার্চ ময়ায় চনশিল্লকপদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লোইশিনবা ঙমদনা লাকখি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী স্যের হোল্ডরশিংনা ঙসি অমত্তা ওইবা ৱারেপ অমা লৌদুনা লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অমদি ত্রেনিং সেন্টরশিংদা লৈঙাক অদুনা পীবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ইনবগা লোয়ননা ত্রেনিং চত্থবা য়াহনখিবনি। ক্লবশিং অসিনা ত্রেনিং চত্থবা হৌরবা মতুং জুন থাগী ১৭তগী মখা তাবা লেমহৌবা মেচশিং অদু শান্ননবা হোৎনরকপনি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকপা ৱারোলগী মতুংইন্না লীগ অসিদা লৈরিবা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফ ১০৩০ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা লোইশিনখ্রে। মদুদা মীওই অহুম পোজিটিভ ওইখি হায়রি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com